**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM**
**(DATE 16-07-2026)**

**কাং (এল)ঃ** মালেমদা মমিং চৎলবা ভগবান জগনাথ, ময়াম্বুং ভলভদ্র অমদি মচননুপী সুভদ্রাগী কাং চিংবগী থৌরম রথ যাত্র ঙসিদগী উরিষ্যাগী পুরিদা হৌরগনি। চহিগী ওইবা কুম্মৈ অসিদা ভগবান জগনাথ, ময়ামুবং ভলভদ্র অমদি মচনুপী সুভদ্রা তোংবা কাং পুরিগী মন্দিরদগী কিলোমিটর অহুমলোম লাপা লৈবা শ্রী মুন্দিচা মন্দির তমা চিংগনি। থৌরম অসি অশোয় অঙাম য়াওদনা নীংথিনা পাঙথোকপা ঙমবগীদমক অকনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎলে।

মনিপুরদসু, নুমিৎ ৯ নি চত্থগদবা রথ যাত্রা, কাংগী থোরম ঙসিদগী হৌরগনি। মপুং ওইবা থৌরম ইম্ফালগী শ্রীশ্রী গোবিন্দজি মন্দিরদা পাঙথোক্কনি। শ্রীশ্রী বিজয় গোবিন্দজি, ইস্কোন মণি মন্দির অমদি রাজ্যগী তোঙান তোঙানবা তম্পাক্কী মফমশিংদসু কাং চিংবগী থৌরম পাঙথোকগনি।

শ্রীশ্রী গোবিন্দজি মন্দিরদা পাঙথোক্কদবা কাং চিংবা থৌরমগী মীৎনা উবা পাউদম অকাশবানি ইম্ফালনা শন্দোক্কনি। মীৎনা উবা পাউদম অসি অকাশবানি ইম্ফালগী কংলা অমদি শঙাই চেন্নেল অনিমক্তা ঙসি নুমিৎয়ুংবা মতুং পুং ১ দগী নুংথিল পুং অনিমখায় ফাওবা শন্দোক্কনি।

মুখ্য মন্ত্রি-য়ুমাম খেমচান্দ, উপ মুখ্য মন্ত্রি-লোশি দিখো অমসুং মনিপুর বিধান সভাগী অধ্যক্ষ-থোকচোম সৈত্যবরতা য়াওনা তোঙান তোঙানবা লুচিংবা কয়ানা মীয়ামদা কাং কুম্মৈগী য়াইফ পাউজেল পীরি।

**পুলিস (এল)ঃ** সেক্যুরিতি ফোর্সনা তোঙান তোঙানবা মফমশিংদগী আইননা থিংখ্রবা লালহৌলুপশিংগী মীওইশিং অমদি খুৎশু খুৎলায় কয়া ফারে।

মনিপুর পুলিস কন্ট্রোল রুমনা ঙরাং থোকখিবা চেরোল অমদা হায়- সেক্যুরিতি ফোর্সনা থিবা হুম্বগী থবক চত্থবদা আইননা থিংখ্রবা লালহৌলুপ

কে.সি.পি (এম.সি) প্রোগ্রেসিবকী এক্তিব কাডর অমা ঙরাং  ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী খুরাই অহোংগৈ থাংজম লৈকাইদগী ফারে।

মনিপুর পুলিসনা জিলা অসিমক্কী খুরাই লাইরিকয়েংবম অৱাং লৈকাইদগী মীওই অনিসু পোইন্ট থ্রি আইট পিষ্টোল অমা, মেগজিন অনি অমসুং তোঙান তোঙানবা কেলিভরশিংগী কাপ্পা য়ারিবা মরু ১১ গা লোয়ননা ফারে।

জিরিবাম জিলাগী মোংবুং খুলগী মনাক্তা ঙরাং সেক্যুরিতি ফোর্সনা থিবা হুন্থবগী থবক চণ্থবদা পোম্পী অমা, হেন্দ গ্রেনেদ অনি, কন্ত্রিমেদ পিষ্টোল অনি, কন্ত্রিমেদ টুয়েল্ব বোর এস.বি.বি.এল. নোংমৈ মরি, তোঙান তোঙানবা কেলিভরশিংগী কাপ্পা য়ারিবা মরু ৩৩১, ফিফতি ৱান এম.এম. মোটার সেল অহুম, তোঙান তোঙানবা নোংমৈশিংগী মেগজিন তরেৎ য়াওনা অতৈ পোৎলমশিং ফাগৎলে।

ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী ইশোক মমাং লৈকাইদা সেক্যুরিতি ফোর্সনা থি হুন্থবগী থবক চণ্থবদা মোদিফাইদ বোল্ট এক্সন সিঙ্গল বেরেল রাইফল মরি, মেগজিন য়াওবা শেমদোক্লবা থ্রি নোট থ্রি রাইফল অমা, টেলিস্কোপিক সাইট অমসুং মেগজিন য়াওবা এম.টু করবাইন রাইফল অমা, মেগজিন য়াওবা নাইন এম.এম. পিষ্টোল অমা অমসুং তোঙান তোঙানবা নোংমৈশিংগী মরু ২৬ ফাগৎখি।

সেক্যুরিতি ফোর্সনা থৌবাল জিলাগী লিলোং হাউরৈবী তুরেল অহনবী উপাক থোং মখা এরিয়াদগী দ্রগ লল্লোনবা মীওই অমা ঙরাং ফাখি। মীওই অসিদগী লুপা লাখ ১৬ লিশিং ৪৩ হেনবগী ওইগদবা এস.পি. কেপসুল ১৪৪ ফাগৎখি।

অমরোমদা, হৌখিবা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা মনিপুর পুলিসনা উখ্রুল টাউন্দদগী মীওই অমা ফারে। মীওই অসি উখ্রুল ৱিমেন পুলিস ষ্টেসনদা পোক্সো এক্টকী মখাদা এফ.আই.আর. কেস রেজিস্তার তৌরকখিবা মীওইনি হায়রি। অককবা পাউ অমা ফংবদগী জিলা অসিমক্কী সিকিবুং খুলদগী মীওই মরি ফাখি। মখোয়দগী এস.বি.বি.এল. নোংমৈ অনি, এস.বি.বি.এল. কারটিজ অমসুং

ৱয়ারলেস সেট অমা ফাগৎখি।

**ট্রেন্নিং (এল)ঃ** ই-ওফিস সিষ্টেম চৎনহন্নবগী মতাংদা নুমিৎ নিনি চথুগদবা ট্রেন্নিং প্রোগ্রাম অমা ঙরাংদগী মনিপুর পুলিস হেদক্বাটরসতা হৌখ্রে।

থৌরম অদু হৌদোল্লদুনা রাজ্যগী দি.জি.পিনা দিজিটেল গভরনান্সকী মরুওইবা অমসুং ষ্টেট অসিদা ই-ওফিস সিষ্টেম লৈহনবগী তঙাইফদবশিংগী মতাংদা ৱা ঙাংখি।

থৌরম অদুদা আই.টি. দিপার্টমেন্টকী রিছোর্স পার্সনশিং য়াওনা মনিপুর পুলিসকী সেনিয়ার ওফিসিএলশিং অমসুং পার্সোনেলশিং শরুক য়াখি।

**কেবিনেটঃ** লৈবাক অসিগী সেমি কন্দক্টর দিজাইন অমসুং মসি শাবগী থবক হেন্না চাউখৎহন্নবগীদমক কেন্দ্রগী মন্ত্রি-মন্দলনা লুপা কোতি লাখ অমা লিশিং ২৭,৫০০ চংগদবা সেমিকোন টু পোইন্ট জিরো প্রোগ্রাম অয়াবা পীখ্রে।

পাউমীশিংদা ৱা ঙাংবদা ইনর্ফেমেসন অমসুং ব্রোদকাষ্টিং মন্ত্রি-অশ্বিনি বৈষ্ণবনা হায়-সেমিকোন ৱান পোইন্ট জিরো পায়খৎখিবা অদুগী খোংজেলদা স্কিম অসিনা ভারতপু মালেমগী সেমি কন্দক্টরগী মেপতা য়াওহন্নবা সরকারগী অচেৎপা ফিরেপ অদু হেন্না চেৎশিলহল্লগনি।

মহাকা হায়-স্কিম অসিনা মরুওইবা লমশিংদা শেল থুম, সপ্লাই চেন অমসুং টেকোলোজিগী লমদা তেংবাং পীগনি। লুপা কোতি লিশিং ৬২,৫০০ চংগদবা মোবাইল ফোন মেন্যুফেকচরিং স্কিমসু কেন্দ্রগী মন্ত্রি-মন্দলনা অয়াবা পীখ্রে।

অত্মা নিরভর ভারতকী নেসনেল ইনভেষ্টমেন্ট পোলিসি ফোর য়ুরিয়া-২০২৬, লৈবাক অসিগী রেল নেটৱার্ক কিলোমিটর ১৪৫ হেনগৎহন্নবা প্রোজেক্ট অনিসু মন্ত্রি-মন্দলনা অয়াবা পীখে।

**রেল ঃ** প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিগী হরিয়ানা, চান্দিগর অমসুং পঞ্জাব খোঙচৎতা

হয়েং জিন্দ অমসুং সোনিপথকী মরক্তা চেনগদবা লৈবাক অসিগী ইহান হানবা হাইড্রোজেন রেলগাড়ি লমথাগনি।

প্রধান মন্ত্রিনা জিন্দগী একলব্য ষ্টেদিয়মদা লুপা কোতি লিশিং ১৪,৭০০ লোমগী তোঙান তোঙানবা চাউখৎ থৌরাংগী প্রোজেক্টশিং খরগীনা যাত্রা হুনগনি অদুগা খরনা শঙ্গাগনি।

মদুগী তুংদা, নুমিৎয়ুংবা মতুংদা শ্রী মোদি চান্দিগরদা চৎকনি অমসুং মফম অদুদা লুপা কোতি লিশিং ৬,৬০০ হেনবগী তোঙান তোঙানবা চাউখৎ থৌরাংগী প্রোজেক্টশিং যাত্রা হুনগনি অমদি শঙ্গাগনি। মহাকা চান্দিগরগী পোষ্ট গ্রেজুয়েট ইন্সটিট্যুট ওফ মেদিকেল এদুকেসন এন্দ রিছার্সতা এদভান্স মাদর এন্দ চাইল্ড সেন্টর অমসুং এদভান্স ন্যুরো সাইন্সেস সেন্টর শঙ্গাগনি।

প্রধান মন্ত্রিনা জলন্ধরদসু তোঙান তোঙানবা চাউখৎ থৌরাংগী প্রাজেক্ট কয়া যাত্রা হুনগনি অমসুং শঙ্গাগনি।

**য়ুপিঃ** আয়ুসমান ভারত স্কিমবু অরানবা মওংদা শিজিন্নবগীদমক উত্তর প্রদেস সরকারনা রাজ্য অদুগী বিজনোর জিলাদা লৈবা হোস্পিতাল ১৬ কী মথক্তা থবক লৌখৎখ্রে।

মুখ্য মন্ত্রি-যোগী অদিত্যনাথকী মীৎয়েং মখাদা ষ্টেট এজেন্সি ফোর কমপ্রেহেন্সিব হেলথ ইন্সুরেন্স স্কিমনা বিজনোরগী হোস্পিতাল ২০ দা স্প্রাইজ ইন্সপেক্সন চৎখি। মদুদা হোস্পিতাল ১৬ না আয়ুসমান ভারত স্কিমবু অরানবা মওংদা শিজিন্নরম্বগী থৌওং থেংনখিবনি।

**ফিফা ঃ** ফিফা ৱার্ল্ড কপ ২০২৬ কী ফাইনেলদা স্পেনগা অরজেন্তিনা থেংনরগনি।

হৌখিবা অহিংদা আমেরিকাগী অতালান্তা ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা অনিশুবা সেমি ফাইনেলদা মমাংগী চেম্পিয়ন অরজেন্তিনা ইংলেন্দবু পাঞ্জল ২-১ দা

মায়থিবা পীখি।

থা অসিগী ১৯ দা অহুমসুবা মফমগীদমক ফ্রান্স অমসুং ইংলেন্দ থেংনগনি অদুগা ফাইনেলদনা স্পেনগা অরজেন্তিনাগা থা অসিগী ২০ দা লম্বা তৌনরগনি।

**---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---**

চীফ মিনিস্তর-য়ুমাম খেমচান্দনা ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী কান্তো সাবলগী মীয়ামগা উন্নখিবা, লুপা ক্রোর অনিগা লাখ ৮০ সিভিল সার্ভিস ইগজামিনেসন থানিংবা মহৈরোইশিংগীদমক্তা বজেটতা হাপ্তুনা থমলে হায়বা চীফ মিনিস্তরগী ৱাফম অমসুং ইম্ফাল-জিরিবাম লম্বীদা পেত্রোল্লিয়ম প্রদক্টশিং পুবা গাড়িশিং পন দুনা লৈবগী পাউ য়াওনা তোঙান তোঙানবা পাউশিংনা ঙসি মনিপুরদা ফোংবা পাউচেশিংগী অহানবা লামাইদা ফোংলি।

পাউশিং অসি সঙাই এক্সপ্রেস মনিপুরি অমসুং ইংলিস এদিসন, পোকফম, পিপলস ক্রোনিকল, নহারোলগী থৌদাং, সনা লৈবাক, হুইয়েন লানপাউ, মনিপুর মেল, গানফিয়ু মেল, তমেংলোং টাইমস অমসুং হিলস হোর্ন বিল এক্সপ্রেস পাউচেশিং অসিদসু অহানবা লামাইদা ফোংলি।

সি.এমনা কানতো সাবলগী মীয়ামগা উন্নখিবা পাউ অসি সি.এমনা কানতো সাবলদা লাক্তুনা কুকিশিংনা মৈ থাদোক্লম্বা য়ুমশিং য়েংশিনখ্রে। পাউমীশিংনা হংবা ৱাহংগী পাউখুম চীফ মিনিস্তরনা পীরমদ্রে হায়না অহানবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসি অতৈ পাউচেশিংদসু তোঙান তোঙানবা মওংদা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

জিরিবাম লম্বীদা শেল খায়বগী ৱাথোক, শেল খায়বা থিংদ্রবদি জ্লাই ৩১ দগী টেঙ্করশিং চৎপা লেপকদৌরি হায়বসিনা সঙাই এক্সপ্রেস মনিপুরি এদিসনগী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

সি.এম. স্কোলারসিপ স্কিমদা লুপা ক্রোর অনি লাখ ৮০ মহৈরোইশিংগী

থমলি হায়না চীফ মিনিস্তর-য়ুমাম খেমচান্দনা ফোংদোকখিবা ৱাফম সনা লৈবাক্কী অহানবা লামাইদা ফোংলি। পাউ অসি সঙাই এক্সপ্রেস মনিপুরি এদিসনদা এম.পি.এস.সি. ২০২২ গী রিজল্ট শেংনা লাউথোকখি-সি.এম. হায়না ফোংলি।

চহিসিগী জানুৱারীদগী হৌজিক ফাওবদা মীওই ২৪ শিখি, এফ.আই.আর. ৮৫ লৌখৎখি, ইরাং লৈবা মফম মঙা খঙদোকখ্রে হায়বা পাউ পোকফমগী অহানবা লামাইদা ফোংলি।

নোনে দিষ্ট্রিক্টকী লেংলোং খুলগী য়ুমশিং মৈ থাখ্রে হায়বা পাউ অমসু হুইয়েন লানপাউগী অহানবা লামাইদা ফোংলি।

গভনরনা দুরান কপ টাইকুন্দো ইভেন্টতা শরুক য়াখ্রে হায়বসিনা মনিপুর মেলগী অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।